ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৮৭শুবা মশীং

## করিনো অমদি খন্নহৌসি

### পোলোইদা অফবা ওইরক্কদবা মান্দ্রে

হৌখিবা চহী ২০১১দা পাঙথোকখিবা সেন্সস রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুরগী অপূনবা মীশিং লাখ ২৭.২ য়ৌখ্রে। মীকোক থিবসি লৈবাকসিগী ওইনা চহী ১০/১০ খুদিংগী পাঙথোকপনি। মসিগী মতুংদা মীকোক থিবগী লেটেষ্ট ওইবা রিপোর্ট লৈত্রিবা ওইরগসু চহী ১০/১০ খুদিংগী লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লিবা মীশিংগী চাং অদু য়েংলগা হৌজিক ষ্টেটসিগী ওইগদবা মীশিংগী চাং শোয়দনা খঙগনি। খরা হেন্দোক-হেঞ্জিন লৈগনি, ওফিসল ওইবা রিপোর্টতু য়াওদবনিনা চপ-চাবা ফিগরবুদি খঙবা ঙমখিরোই। অদুবু ষ্টেটসিগী অপূনবা মীশিং লাখ ৩০গী মথক লানখৎলক্তুনা মশীংসিদগী হেন্না লৈরে হায়বসিমদি ককনীংঙাই য়াওদনা চুল্লগনি। মীশিংসিনা মসিগী চাংসিদা হেঙ্গৎলক্লমগদবসি হন্দক্কী থেঙ্খাং অসিখক্তগী নত্তে। নুমিৎ থানা লৈরিমখৈদি লমদমসিগী মীশিং অতোপ্পা মফমশিংগুম্না লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্কদৌরিবনি। ফীভমসি মীওইবা খুন্নাইগী চৎনবীনি, মচৎনি। অদু ওইরগদি লমদমসিগী মীয়াম্না, মীয়ামগী মীহুৎনা শেমজবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মায়কৈদগী করি তৌবা তাবগে হায়বা ৱাহংশিং চোংথোরকই। ৱাহংসি থোরক্তবসু য়াদবনি। মরমদি লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লিবা মীয়ামসিগী লৈফম থোকপা, ওইফম থোকপা মশক অমসুং পুন্সি মরেলগী মচলশিংদু অমত্তা চিংখদনা ফংহনবদা খুদোংচাদবা মরমশিং লৈবদগী শুনা ফংহনবা ঙমদ্রবসু তঙাইফদনা লৈরবসু-লৈত্রবসু ফংহন্দবা য়াদবা মচল খরদি লৈরি। হায়রিবা মচলশিং অসিগী মনুংদা লৈননবা য়ূম অমসুং হিংনবগীদমক চাদবা য়াদবা চিঞ্জাকশিং য়াওরি। মরু ওইবা শরুকশিং অসিগা হকথেংননা মরী লৈনবা অতোপ্পা মচল খরসু লেংদনা লৈরিবনি। তঙাইফদবশিং অসিগী মথক্তা মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা চঙবা বেসিক ওইবা সেক্টরসু কোকথোং অমা লৈরিবনি। অদুবু পূম্নমক্তু লোয়নমক কোৎথোক্তুনা লামশিল্লুদ্রগসু হিংননবগীদমক চাদবা য়াদবা পোৎলমশিং অমসুং লৈননবা য়ূমদমক পোপথোরকপগী ৱানি। ৱাফমসি হায় হায়দুনা ফি শেৎতবা য়ারোই, তূম্বা-হিপ্নবসু লৈতবা য়ারোইদৌরিবনি। হৌজিক্কী মীরোলদা মী অমা ওইনা হিংবদা চঙলিবা, মথৌ তাবা পোৎলম অমসুং পাম্বে পূম্নমক লৈফম থোক্লিবনি। ঙমদবগী ৱানি হায়রিবশিং অসিনা লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরগদি নুংঙাইবা, চাওখৎপা পুন্সি মহিং হায়বদুগী ৱাহম্থোক চপ চানা ফংগদবনি।

অদুবু হিংবদা চঙলিবা পোৎলম অমসুং পাম্বে ময়ামদুগী মনুংদগী শুপ্নতগী নোংমগী পুন্সিদা চঙলিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খক্তমক লৌখৎতুনা য়েংবদা মণিপুরগীদি পূক্নিং নুংশিনীংঙাইগী মশক ওইরি। খরগা হেন্না লুনা খঞ্জিল্লুরগা তুংগী ষ্টেটসিগী লম্বী পূম্নমক পুন্মম মম্না উরি। মীওইবা অমগী ওইফম থোকপা মশেক মঙাল অমত্তা উবা ঙমদ্রি। ফীভমসি য়ৌরক্লগদি করিনো অমদি খন্নহৌবগী মতম থেংমল্লে হায়নীংই। মরমদি হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না নোংমগী পুন্সিদাহিংনবগীদমক চারিবা পোৎলমশিং অসি ষ্টেটসিদা থোকচবা পোখোকশিংনা কোন্নজবা ঙমদ্রি। চেঙদগী হৌরগা চাক্কা চাগদবা ইঞ্চাং-নাপিশিং ফাওবা মপান্দগী পুশিল্লক্লগা চারি। শা-ঙা য়াওনা চানরিবা পোৎলম ১০০গী মনুংদা ৯০দি মপান্দগী পুশিল্লক্লগা চারি। মপান্দগী পুশিল্লকপনা য়াম্বনিনা মণিপুরগী শেল মপান্দা লোয়না চৎলি। মসিসু হৌজিক্তি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপনা অমুক্কসু মমল হেঙ্গৎহল্লক্লি। তাঞ্জাসিদা তমথিরবা লায়না-লাইচৎ মায়োক্নবগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎনরক্তুনা কর্ফিয়ুনচিংবগী অথিংবা থম্বদগী ইসেন্সিএল কম্মোদিটিশিংনি হায়রিবা পোৎলমশিং অসিগী মমল অমুক্কসু হেন্না ৱাংখৎহল্লি। করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসি নীংথিজনা লাকশিন্দুনা লোইশিন্দ্রবসু মপান্দগী মরাং কায়না পুশিল্লক্তবদগী হেঙ্গৎফম থোক্তবদা হেঙ্গৎলিবা মমলগী চাং অসিবুদি হন্থখিনি। অদুবু মপান্দগী পুশিল্লকপগী চার্জদা থাওগী মমল হেঙ্গৎলকপনা পীরকপা চৈথেংসিমদি ৱাংখৎলক্লিবা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল অসি নেমথহন্দ্রিবা ফাওবদি হন্থরক্লোই। মমল হেঙ্গৎলি হায়দুনা লৈদুনা চাদবসু য়ারোই। তাঙলবসু তাঙনা হিংনবগীদমক লৈদুনা চাগনি। ফীভমসিগী খুদুং ইন্দুনা অদুম্মক লেপ্তুনা চথুরক্লগদি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী পোলোই করি ওইরকপা য়াবগে? শ্বাইসিদা লৈঙাক অমসুং মীয়াম পূন্না খন্থরগা খূৎশম্নুনা করি তৌহৌবা য়াবগে হায়বদু পন্থদনা নৈনহৌবা চুমগনি। হৌজিক লৌখৎলিবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিনবু লেপ্তুবদি মতম চঙলবসু মীয়াম কোভিদকী লাংদগী শোয়দনা নান্থোরকপদি ঙমগনি। অদুবু পোষ্ট কোভিদকী পুন্সিদা হিংদবসু য়াদবা মীয়াম্না করি করম্বা ফীভমশিং মায়োক্নহৌগদগে হায়বসিসু নাথৈবা চুল্লোই। তমথীরবা লায়নাসিনা ষ্টেটসিগী মীয়াম তুম্না শিহনবা য়াবা নত্তে হায়দুনা লাম্থেংনরিবনি। মসিগী হোৎনজমল লেম্না মাঙলোই। মমল য়াল্লবা পুন্সি খরা কলহৌবা ঙমদ্রবসু লেমহৌরিবশিংদি কন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদা শোয়দনা হঞ্জিল্লক্কদৌরিবনি। অদুবু মতমদুদা মীয়ামগী পুন্সি মহিংনা মায়োক্নরক্কদবশিং অদুবুসু মাঙজৌননা পুথোক্তুনা খন্নহৌসি হায়বদু তরেৎ তরা থোক্লা খন্নহৌসি হায়বনি। লম্বীসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ইনিসিএটিভ লৌরকউ। লৈবাক মীয়ামগী মায়কৈদগীসু লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌশিল্লকউ। চারি, হিংলি হায়বসি খক্তনা য়ারক্লোই। মসিদা ফাওবা মায়োক্নীংদবা খুদোংচাদবশিং শোয়দনা মায়োক্নরক্কনি। মসি থোক্তনবা হোৎনহৌসি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্নিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল য়ুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্নবা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্লো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## পেট্রোলগী মমলনা সেঞ্চুরি য়ৈরকপা (ক্রিকেটতনা হরাওবা, পোৎতাঙ-চৈতাঙদনা মীপাইবা)

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫৯

জিতেন নামৈরাকপম



অয়ূক হেক ঙন্তাদা, চাঙাং থক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা, মল্লিঙৈদা হুল্লম্বা পাউচে খুনগৎতুনা য়েংই। নীংলুবগা, খল্লুবগা ওইরম্বগা মান্নরুই। পোজিটিভ কেস ৫২৭ থেংনখি, ৮ লৈখদে অসিনি। হান্নগী চাংদগী য়াম্না হন্থরেদি মহায়বা অদুবু চামঙা চাক্তুক, চাত্রেৎলোমদা কোরোনাভাইরসনা নাবসিবু কদাইদগী হন্থবনোদা! শুংহন হেক হন্থদবগুম্বনি হায়বা তাই। অমরোমদবুদি অমুকসু চুম্মী লান্দে। মে থাগী তারিখ ৩০, ৩১ অদুৱাইদগী পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী মশীং ১০০৮/১০৩২গা য়ৌরদনা আ মথক য়ৌরম্লবনি। অদুবু তপ্না তপ্না মশীংবুদি হন্থরক্লে। হেনগৎপদি নত্তে; অদুদা মশীংদু ১০/২০দা খংহাই হাইথরক্লবদি মফবা। মদুদি নত্তেদো। হৌজিকসু কোরোনা মহীক ঐখোয় ময়ামগী মরকসিদা পাইদুনা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরি। তাল্লুরবসু চৎলু শুকয়া য়াদবা। ঐখোয় ময়ামগী মীরকসিদা শুরু শুরু নৈশিন্দুনা অদুম লৈবা। অঙম্বা থাক্তা হাৎলম্লগে, ওৎলম্লগে হায়দনা চাইনারোমদগী পাইশিল্লকপা মহীক নহাকসে ফবদি ওন্থোক্লা ফৎতে হায়বদুনি। নহাক্তদি চৎখ্রোকো।

পাউচেগী ফ্রন্ট লাইন্দা করি করিনো ফনা য়াম্নদি য়াওরে হায়ববু অনৌবদি কয়া য়াওদবগুম্বনি। হান্নগী মখা চথুরকপা য়াম্না য়াওরি। মরক অসিদা থাওগী মমল হেনগৎপগী প্রোটেষ্ট তৌরকপা লেপ্তুবসিসু অমনি। পেট্রোল, দিজল মমল হেনগৎপগী ৱা অসিদি আ মমাঙগী চহী ১৫ হায়বদি ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেসনা, সেন্টরদনা শ্রী মনমোহননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদগী থেঙ্খাং কয়ারক্তা হেনগৎলক্তুনা অদুম্মক লাকখ্রবনি। লৈঙাকপা হায়বসিমক্তবু মীয়ামদগী টেক্স খোমগৎতুনা চলাইরিবনি। নাকল নাকল কয়াদগী খোম্বা য়াবা টেক্স খোমগৎলকপদা পেট্রোল, দিজললোমদগী খোমগৎপা টেক্স খূৎখোমদি কয়াদি থুখ্রেদো। খুদক খুদক্তা শেমগৎলগা য়াম্না থুনা ফংবদি গুদস টেক্স অমদি গাড়ী ময়াম পরেং লেংহল্লগা থাও হালহনবনা য়াম্না থুনা ফংবা য়াবা শেলনি। মরম অদুনা অথুবী টেক্স খোম্বগী মওংদু মদোমদা চথুবা ওইরমগনি। টু হ্বিলর, থ্রী হ্বিলর, ফোর হ্বিলরতনা লম্বীদা, সরক্তা পুং কয়া ত্রাফিক জাম ওইরিবা লৈবাকনি। মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়া পূম্বদা পেট্রোল, দিজলনা থৌবা গাড়ী মশীংসি কয়া য়াম্না লৈরবগে হায়বদা কো ময়ূম ময়ূমদা থন্ফম লৈরক্তদনা লম্বী সরক্কী চীদাই চীদাইদা খামদুনা থম্বা ধমাদা উবিরম্লগনি। মরম অদুনা গাড়ী ময়ামসিনা ময়ূম ময়ূমদগী থৌদোক্নরকপা মতমদা অসিৱাইদা অদুম পল্লে। ত্রাফিক জাম ওইরে। করি ৱানোনে, শুপ্নতগী কিলোমিটর অহুমসু ফাদবা হায়বদি ঐগী ইরমদগী কৈশাম্পাৎ ত্রাফিক পোইন্টতু য়ৌবা ফাওবনি হায়জরিবসি। মদু ফাইরেন থাগী মতমনি। লুহোংবা য়াম্না কুঙবা মতমদুনি। গাড়ী থৌদোক্লুই, গাড়ী পল্লে। ক্বাকৈথেলদা মিনট ৩০গুম্বা ঙাইরে। মমাঙদা থৌগৎপসু য়াদে। মনিংদা মমায় লৈরগা চৎপসু য়াদ্রে। তৌবতবু উচিন নাচিন্না ক্বাকৈথেল টর্নিং পোইন্ট লাম্থোরক্তুনা অৱাং পাংনা থৌগৎলকখি। ক্বাকৈথেল হুন্দোক্লম্লে। অসুম অসুম মমাঙ পাংনা য়েংলুই। উরকই ঐখোয়গী হুইয়েন লানপাউ। হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী ঙৌরোক ঙৌনা থিনগৎতুনা লৈরিবা বিল্ডিংদু অমুকসু পূক্নিংদা ফাওরকই - 'ঐগী পাউচে হুইয়েন ... হেন্না হেন্না ময়েক মচু থোক্লা ঙাল্লিবসিদগী হেন্না ঙালহনসি।" অদুগদি কৈশাম্পাৎ য়ৌদ্রিঙৈ হোটেল এক্সিলেন্সি খরা হাইগৎলকপা অদুৱাইদা গাড়ী অমুক পল্লে। চৎকদৌরিবনা অথুবা থবক অমগীনি। অশোমদনা মরোল অমা ফোন খিংজিল্লকমন্দনা খাঙবা লাকপা ঙমদবা মতাং হায়বদু য়ৌরে। মসিদি কান্নররোই খন্দুনা য়ূমদা ফোন তৌশিল্লি। হায়রুই 'গাড়ীসি হুন্দোক্লম্লে। বোইচা দুকানগী নাকচেপ্তা, ইবুংঙোদু লৌবা লাকহল্লু। গাড়ীগী ছোসু মঙোন্দা শিন্নরম্লবনি।" অদুগা খোঙনা চবৎ চবৎ গাড়ী ময়ামদু লিৎ লিৎতুনা চৎপদা পন্থুংফম য়ৌবদা মিনট ২৫ রোম চঙখি। থেংনরে, উনরে ঐগী থবক কায়খিদ্রে।

মসিনি পিকখ্রবা মণিপুরদা ফাওবা গাড়ী ময়ামসিনা মুকথ্রুবী পাইবগুম, কাঙ ময়াম্না ওমশিল্লকপগুম মীৎতা চঙগেফাও তৌরবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা পেট্রোল মমল হেনগৎলিবসি (থাও মমলগী মতাংসিদি কম্পেনিনা পায়খ্রেসু হায়) মতাংদি চায়হে সৈত্য। গাড়ী মশীংসি য়াম্মনখিদনা চহী হেল্লবা গাড়ীশিং স্ক্রেপ্তা থাদোক্লগা চপখায়খ্রনি হায়বগী ওর্দরসু থোকখ্রবনি। অদুনা মৈখু কা হেন্না থোকপা, মখোল থোকমনবদগী নাহেবা, চহীনা নম্বো পোরবা গাড়ীগদি থৌবীরুরনু কৈসু নত্তবদা চোপ্পা কা হায়বদু তল্লিদনা। মসিনা গাড়ীগী ৱা ওইরে। ওইজসনু। তৌবতবু লৈঙাক্লা লৌরিবা টেক্স ময়ামসিগী মতাংদা হেন্না হেন্না নৈননীংলকই। মদুদি ঐখোয় ময়ামগী মরক অসিদা লৈঙাক্তা কাফম থোকপা টেক্স চাং নাইনা, মতম চানা থিনরিবা মীওইশিংদুবু কনা কনানো? মৈগী, ঈশিংগী, লমগী (লৌ-ইঙ্খোল) রোদ মেন্টিনেন্স রোদ টেক্স কা হায়গদ্রা, ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা জগাদা লৈবা য়ূমশিংগী টেক্সসু লৌরগনি হায়বগুম তৌখি। অদুদা থম্মোয় শেংনা হেক হায়জরবদা কো - রেভিন্যু, লৌ-ইঙ্খোলগী খাজনাসিবু মতম চানা লৈঙাক্তা মতেং পাংবা ওইনা থিবীবসিবু কনা য়াওরবগে। অমুক্তং হায়বিরকউ। লৌ-ইঙ্খোলগী খাজনা মতম চানা থিবদি কনাসু লৈতবনি। খুদম ওইনা হায়জরবদা ঐ ইশামক্তা হেক্তা এপ্লাই তৌজরগে। লৌ-ইঙ্খোলগী খাজনা সিদি কাউববু কাউখ্রে। অপোকপা ইপা অদু লৈরিঙৈদা মতম চানা থিজরম্বনি। ঐগী ৱাখক্তসু নত্তে কোলম অসি পায়বীরিবা অদোমসু লৌ-ইঙ্খোলগী খাজনা মতম চানা থিবিব্রনে? ঐনা খঞ্জবদা চহী ৫/১০দগী হেন্দোক্তুনা চহী ৩০ হেন্না লৈঙাক্কী খাজনা তোনবসু অদুম্মক য়াওরমগনি খঞ্জে, ৱারৌবীরোই।

হৌজিক্কী মতম অসিদা মীঙোন্দা শেল তোনবদা থৌবা - 'শেন্থৌ' খ্বাইদগী কনবসিদি ইলেক্ট্রিক্কী অতোনবা বিল খক্তনিকো! লুপা লিশীং অমগী ইলেক্ট্রিক মৈ ঙাল্লক্নবা কালেনগী ফেন উংনবা, এ সী থানবা, রেফ্রিজিরেটর থাননবা... অসিনচিংবা কয়া কয়া। ফিরোলসু শুই ৱাশিং মেছিন্দা, ইম্মর্সন হিটরদসু ঈশিং লূম্বা অদুম তৌরুই। থা ফাদে, অতোনবা ক্রেডিটটেদ লুপা ২০০ লানখিদুনা ঙেং, ঙেং, ব্রং ব্রং ... খোঙলক্কনি। শেন্থৌ খোঞ্জেল তাবতদা নাকোং মেন্নিংবা হায়বদু য়ৌই। ঐনা তাজবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরগী শেন্থৌ মিটর অসিগুম্বা পানবা অতৈ ষ্টেট ৪/৫ নত্তনা লৈতে। অতোপ্পা মফমদগী মণিপুরগী মওং অসি ঙকপা জাৎনি। ষ্টেটকী রেভিন্যু হেনগৎনবা মৈগী মতাংদা মণিপুরগী মতৌ তল্লক্নবা হোৎনরি হায়বা তাজে। অদুগা টেক্সকী মতাংদা হায়রগনা টোটি ঈশিংগী মতাং অসিনি। টোটি ঈশিংগী টেক্সসিবু মতম চানা থিবা কনাবু য়াওরবগে। মৱা লৌদে। লৈঙাক্কী চৈরাকপু, হেরা ককপদা ককথৎলো লাউ থিক তৌগে খঙনি। অসুম্না হায়বা মীওই ধমাদা লৈ মণিপুরদা!

লৈঙাক্লা মপি মপানি। ইমানি ইপানি হায়নরিবদুনি। লায়র-অনং, অৱা-অনা কয়াগীসু মপানি, মমানি। কোভিদ মতমগা ওইবনা য়ারগদি পীবা য়াবা পীবিরো, ও..রো, ও...রো ... হেক্তা হৈথবীরো সিনি। অমরোমদা ঐখোয়না টেক্স থিদবা হায়বসি অমত্তসু লৈতে। চেঙগীসু-চাক্কীসু, থাওগীসু, থুমগীসু, লম্বী চৎপগীসু ফ্রীদা নত্তে। রোদ টেক্স থিরিবনি। খোঙউপ লৈরে শেল, ফিরোল লৈরে শেল, হীদাক লৈরে শেল। অদুই ৱাদি খোঙ অমুক্তা হামগে (মনুং চঙবা), মপান অমুক্তা থোক্কে (পিয়িং) হায়রবফাওবদা মাগী সুলাভ হায়ব্রা মদুদা অমাংশঙ শেন্নবনা লুপা ১০ লৌবদি শোয়দ্রে। টেক্স ময়াম অসিনা য়োল্লগা হিংবা পুন্সিনি। লৈঙাক্লা শেল লৌদ্রিবা হায়বসিমক্তবু নুংশাগী মঙাল অদুগা শ্বর হোল্লিবা নুংশিৎকা মঙায়রে। পোৎতাঙ চৈতাঙ খরদসু হন্থরক্নবা পেট্রোলগী মমল হন্থহল্লসি কৈদৌবগে? ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ২৩

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

করিগুম্বা মথক্তা হায়জখ্রিবশিংসি মীওইবনা থাদোকপা ঙম্লবা মতমদা 'ঐ' মশক খঙনবা থিরকপা মতমদুদা কৌব্রু লাইফম চৎপা হায়নরিবসিনি। তাইবঙ পূম্বগী হৌফমদি লেম্ফুনা ওইবসিগা লোয়ননা লাইফম তরেৎ হায়বদি লাইপক, মীৎ, নাকোং, নাতোন, চীন, খোইদৌ, থজিন অদুগা মসিবু মতেং পাংনবা লাইফম ১০৮বুনা হকচাংগী মিহুনফমনি হায়না খঙনৈ। হায়রিবসি মালেমগীদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্কীদনি, মসিগী ৱাফমসি সাইন্সকী মীৎয়েংদগীসু চুল্লবনি।

লাইনিংথৌ কৌব্রু তেংপানবা মপু (অতিংকোক, অতিয়া, অতিংখম হায়বদি খ্বাইদগী অহেনবা লাই - সুপ্রিম গোদ) গী শাইওন-লাংওন্দুনা মী-লাই ওইনা লাকপনি থাজনরিবনি। তেংপানবা মপুগী অরেপ্পা শক্তমবু খঙদ্রবসু মীওইবা ঐখোয়না তেংপানবা মপুবু ইপা-ইমা ওইনা উজবগী শৈথা ৱারোলদি 'লৱাই শম্বু পুল্লগা পি-পা (ইপা-ইমা) ওইবীরি, লুমাং শম্বু পুল্লগা পন্থৌ হায়না কৌবদা হাও হায়না খুম্বীবা, লুতুং শম্বু পুল্লগা পলেম হায়না কৌবদা হাও হায়না খুম্বীবা' অসিনি। মালেম তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা অচৎ-চৎত, নমু তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় য়াওনা লৈবা য়ানবগীদমক অতিংকোক মরু শিদবা, অতিয়া শিদবা, অতিয়া শিদবনা সলাইরেন শিদবা ওইনা অতিংকোক মরু শিদবগী য়াথংদগী মথং মথং শাইওল্লক্লগা, সলাইরেল শিদবনা অতিংকোক মরু শিদবদা হায়জবদগী মশাগী (সলাই শিদবগী) ওই থংবদা খূৎশা ১০না তক্নবা তাকপীবদু তৌরুবদা য়াম্না মপা লৈতনা ফজবী নুজা অমা (নুরা ওইনা তকপদা থোরকপদুদগী) থোরকপদুগা মথং মথং লৈশেমলকপগী তোঙানবা ৱারী পরিং অমা লৈবসিদি থাদোকচরে। শমজিনজরগা, মালেম অসিদা লৈরিবা অচৎ-চৎত হায়দুনা লৈরিবা পূম্বা কৌব্রুদগী হৌবনি থাজনবগা লোয়ননা অরোইবা মতমদসু কৌব্রুদা অমুক হনখিনি হায়বসি শাকোক থিরেন পূম্বদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওরি। মরম অসিদগী কৌব্রুবু হান্না হৌবা, কোন্না লোইবা মফমনি হায়নরিবনি।

মালেমগীদা লৈরিবা মীওইবশিংগা শিবগী থৌরম পাঙথোকপদা মান্নদবা থৌওং অমদি ইরমদমসিগী মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফুরুপচাশিংনা শিরবা মতুংদা খাঙেন ফমদা চুকচি ৪ য়ুংবা 'লৈকুম' কৌবগী মনুংদা চংবী লা লাতোন অমগী মথক্তা কোক্লা কৌব্রু, খোঙনা খাদা ওল্লগা লোঙনা ঙহাক য়াতারগা লৈবগী 'ৱাহন্থোক্তি 'লিননা মখুন চঙবদা চুম্বগুম কৌব্রুনা কোক হায়বদি লেমফু ওইরগা লাইনিংথৌ থোঙঙারেল খানা চাউবা ৱাংব্রেননা খোঙয়া থম্বাল ওইবগীনি। কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা সন্নচীং হন্নচীং চীংগী লাইমতোন খোইরুম্বদা ফম্বাল লাংলগা লৈবা শেংখ্রবা মফম ওইবগীনি। অদুগা, মালেমদা লৈবা মীওইবশিং শিবা মতমদা মৈ থাববু ওইরবসু, ফুম্ববু ওইরবসু 'কূ/কোফিন' মনুংদা হাপ্পা মতমদা লোঙনা লোয়না হাপ্লে/থম্লে। মসিগী মরমদি শিরবা নমু তাইবঙ অমবু লাইগী মওংদা লৈরবনি হায়না লৌনবদগীনি। মদুগী খুদমদি 'মপুগী মফমদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে/লাইগী খুয়া তানখ্রে" হায়নরিবসিনি। মতাং অসিদা অমাই লাইনিং খুদা পুন্সিরোল হায়বা লাইরিকসিগী চেমায় ৪৩শুবদা 'তাইবঙনা লোংনা হিপ্পা য়াহিপ্পু লাইগী য়াহিপ কৌবনি' হায়বসিনা অমুক তাকইবদি অহিংবা নমু তাইবঙ অমনা লোংনা হিপকনবা ওইরবদি মহাক লাইগী লীচৎ অয়াম্বা চৎকল্লি অদুগা শিরবা মী অমা ওইরগনা লাই ওইখ্রে খনবনা লোংনা ঙহাক হিপহন্দুনা থল্লগা চৎনবীগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্নরিবনি। মীরম লাইনীং লিচৎ চৎপশিংগসু চপ মান্নবদা, লা লাতোনগী মথক্তা হিপহন্দবসি খক্তনি মান্নদ্রিবা। লা লাতোন মথক্তা শিরবা মতমদা করিগী হিপহল্লিবনো হায়বগী ফজরবা ৱাহন্থোকসু লৈ অদুবু হায়ফেৎতং পল্লম্বগী ৱানি, তেনশিঞ্জরে। ইরমদমগী অসিগুম্বা ফজরবা অমদি থাক ৱাংখ্রবা চৎন-লোনচৎশিংসি য়োকখৎতনা মীরমগী য়োকখৎফম থোকপ্রা হায়বসি খন্থবা মতম থেংমল্লে।

অমুকসু কৌব্রু চীংশাংসি করিগী মরু ওইরিবনো হায়রিবসিগী মতাংদনা কৌব্রু কৌনু অনীনা কোনবা লমদমসি লুৱাং সলাইগী মফমনি হায়নবসিগী য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অহুমদং শল্লপ্না থমজগে:

অহানবদা, লুৱাং সলাইগী পুকোক লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ময়াম্বনা ওনখিবা উনিংথৌ নাচুম্বী কৌবা কৌব্রু চীংদা হৌবা উ অদুনা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা হি শাবা হৌদোকখি।

অনীশুবদা, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচা চাম্মা পোকপগী মনুংদা 'লুৱাং পু-তাংবা খূৎখোইবা' হায়বা অহলসিগী লীকসনু কৌবী মমোম অসি নত্তনা অতৈ অমত্তা পোক্লমদে। অহল অসিনা মশাগী লুৱাং মকোইবী/মকুবী হায়বা চীং অদুদা নুমিৎ খুদিংগী পাম য়ানবা চৎপসি নুংঙাইমন্দবদগী মচানুপী লীকসনুনা মপাবুংগী মহুৎ শিন্দুনা চৎচগে হায়না কন্না তক্নরবা মতুংদা য়াবীরকপদগী মখোয়গী মকোইবী চীংদা নুমিৎ খুদিংগী পাম য়ানবা চৎলি। লীকসনুনা পাম য়াল্লিঙৈদা নুংতিগী সলাইলেন শিদবা (অতিয়া শিদবগী লাংওন) গী মচানুপা পাখঙবনা শনশেন্নহা অমগী শক্তম লৌদুনা লাক্লগা লীকসনুগী মতেং পাংদুনা পাম য়ানবা য়াওই। নোংমদি পাখঙবনা লীকসনুগী য়োৎতু পায়দুনা পাম য়াল্লিঙৈদা লুৱাং শাগৈগী চনুরা ময়াম্না শীং য়ানবা লাকপদা উবদু মখোয়না ময়ূমদা হনখিদুনা লীকসনুগী মপাবুং পুতাংবা খূৎখোইবদা মচানুপীনা চৎলিবা শাজৎ পূম্নমক তল্লম্মী। মথংগী নুমিৎতা লুৱাং চনুরা ময়ামগা পূন্না পুতাংবা খূৎখোইবনা মচানুপীগী মওং মতৌ য়েংবা লাকপদা ঙরাং তল্লম্বদুগা চপ মান্নবা ফীভমদু ওইরম্বদুদা মশাগী ওইনা অমুক শাউখ্রবদি নূং অতেকপগুম শম্বা য়াদবা য়াম্না শাথীবা মপা পুতাংবা খূৎখোইবনা মচানুপী লীকসনু ময়ূমদা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

নুমিৎতু মচানুপী লীকসনু য়াম্না থেঙনা নুমিৎ তারবা মতুংদা মরানয়াইদা হল্লকপদা, কোন্থোং লানশিল্লক্লগা শুমাং হেক য়ৌশিল্লকপদা মপাবুংনা মচানুপীবু ওক্তবী, ওক্তবী লিচৎ চৎতুনা মতম লেল্লুরগা অহল ওইরবা নপা ঐবু লুৱাং শাগৈগী মমাঙদা করিগী ইকায়বা পীবনো, ঙসিদগী হৌনা নহাক ঐগী য়ূম অসিদা চঙলকপা য়াদ্রে, নহাক ঐগী ইচা নৎত্রে, চৎখ্রো হায়না তান্থোকখিরম্মী। ইকায় নুংশি য়ান্ননা মমায় ফাওবা হাইগৎপা ঙমজদ্রবী লীকসনুনা অমম্বা অহিং অদুদা মথন্তা থোক্লকপসি লাই শিদবনা উবিরদুনা থৌজানবীদুনা মহাকপু শেল্লোই লংমাই চীংগী উমং তান্না পুবিরকপদগী মফমদুদা উহৈ ৱাহৈ চাদুনা মতম খরা লেল্লমই। ●